# আই এস এল ২০২০গী অহানবা মেটচতা এ টি কে মোহন বগাননা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে



এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা রোই কৃষ্ণ (ওই)

বাম্বোলিম, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওইনা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ঙসি অহানবা মেটচতা এ টি কে মোহন বগাননা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

গোৱাগী বাম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা আই এস এলগী অহানবা মেটচ অদুদা হৌখিবা সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা এ টি কে হায়না খঙনরম্বা ক্লব অদুগা হন্দক্কী সিজন অসিদা মমাংদা আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্লব মোহন বগানগা পূনশিন্দুনা ক্লব অমা ওইনা শান্নবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই এ টি কে মোহন বগান ক্লব অসিদা মণিপুর মচা ৪ য়াওরি। অদুবু মখোয় মরিমক ঙসিগী অহানবা মেটচতা কোচ এন্টোনিও লোপেজনা প্লেয়িং ইলেভেনদা অমদি সবষ্টিট্যুটতা থমখিদে। নাকল অমরোমদা, কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীদা মণিপুর মচা ৬ য়াওরি। ঙসিগী মেটচ অদুদা মপূং ফানা থৌনাওজম জিক্সন মিনট ৯০ শান্নখি। নোংদম্বা নাওরেম মিনট ৬০ ফাওবা শান্নরম্লগা মহাকপু অতোপ্পা মণিপুর মচা ইরোম সৈত্যসেননা মহুৎ শিনখি।

ঙসিগী মেটচ অদু অহানবা হাফতা এ টি কে মোহন বগাননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা কেরলা ব্লাষ্টরসকী মায়কৈদগী অমুক বোল পায়বগী চাং ৱাংখৎলকখি। মমাংগী সিজনদা এ টি কেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১৫ চনবা ঙমখিবা ফিজি মচা রোই কৃষ্ণনা ৬৭শুবা মিনটতা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অনীশুবা মেটচতা ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সী লম্বা তৌনগনি।

## ‘শান্নরোয়শিংবু চেকশিন্না য়েংশিল্লি’



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় হৌজিক-হৌজিক্লা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরিবা পোৎশংবম রেনেদিনা ঙসিদগী হৌখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা শান্নরোয়শিংবু য়াম্না চেকশিন্না লীগ অসিগী ওর্গনাইজরশিংনা য়েংশিল্লি হায়খি।

পাউচে অসিগা ৱারী শানবদা রেনেদিনা মখা তারদুনা মতম শাংনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবা ফংলমদবা শান্নরোয়শিংনা শান্নবা ফংবা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি। গোৱাদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী ওইনা নুমীৎ ১০নি ক্বারন্টিন তৌখি। অদুগা ফোরেন্নরশিংগীনা নুমীৎ ১৪নি ক্বারন্টিনগী মতম পীখি। লায়না লাইচৎ অসি লৌনদনবা শান্নরোয়শিংবু অতোপ্পা মীওই অমত্তগা উনহনখিদে। হোটেল অমসুং প্রেক্টিস গ্রাউন্দ খক্তমক চৎপা য়াহল্লি। নোংমা কাল্লগা শান্নরোয় খূদিংমক কোভিদ টেষ্ট তৌরি। থা অসিগী ২৭ তা মহাক্কী টিম এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং এ টি কে মোহন বগানগা শান্নগদবা মেটচ অদু মায় পাক্লা শান্নবা শান্নরোয়শিংবু লমজিংলি হায়খি।

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



স্পেনগী রাফেল নদাল



সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ

লন্দন, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): নুপাগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর টু স্পেনগী রাফেল নদাল লন্দনদা চথুরিবা এ টি পি ফাইনেলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টোকিও ১৯৭০ গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচনা জর্মনিগী ৱর্ল্ড নম্বর ফাইভ শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন তারগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, নোভাক জোকোবিচ গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচতা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচতা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বৰ্মেনবু থোইদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা মহাক্কী ঙসি লম্বা ওইখিবা জ্বেরেবসু মমাংগী মেটচ অমা রসিয়াগী মেদবেদেবকী মখূৎতা মায়থীরগা অনীশুবা মেটচতা স্বৰ্মেনবু থোইদুনা লাকখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা জোকোবিচনা জ্বেরেবপু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখিবনি। করিগুম্বা জ্বেরেবনা থোইরম্লগদি মহাকসু সেমীফাইনেল য়ৌরমগদবনি।

জোকোবিচনা গ্রুপ অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী লন্দন২০২০গ্রুপকী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী দোমিনিক থিয়মগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লন্দন ২০২০ গ্রুপকী মেটচ অমদা রাফেল নদালনা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাসপু সেট ২-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট ৬-৪দা থোইবা ঙম্লগা অনীশুবা সেট অদুনা সীসীপাসনা ৬-৪দা থোইখি। অদুবু দিসাইদিং সেটতা নদালনা ৬-২দা থোইরগা গ্রুপ অসিগী অনীশুবা পোজিসন তারগা টোকিও ১৯৭০ গ্রুপকী মকোক থোংবা মেদবেদেবকা সেমীফাইনেল শান্নগনি।

# হোকি ইন্দিয়াগী মরিক চুম্বা থবক থৌরম্না অম্পায়রশিংদা অচৌবা মতেং কয়া পীবা ঙম্লি : অম্পায়র জাবেদ শাইখ



জাবেদ শাইখ (ময়াই)না হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রোদগী মনা লৌবা

মুম্বাই, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): হোকি ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিনা মেটচ কন্দক্ট তৌরিবা অম্পায়রশিংদা অচৌবা মতেং কয়া পীবা ঙম্লি হায়না হন্দক্তা কুমজা ২০১৯-২০২০গী ইন্দিয়াগী বেষ্ট অম্পায়র মেনেজরগী মনা ফংখ্রবা মুম্বাইগী জাবেদ নুরুদ্দিন শাইখনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা হোকি ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা ওফিসলশিংগী ওইবা তোঙানবা পরম অমা শেমদুনা লাকখিবা অদুনা মালেমগী ওইবা মমিং লৈরবা অচৌবা হোকি টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংনা ওফিসিএট তৌবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈরিবনি।

কুমজা ২০০০দা মুম্বাইদা পাঙথোকপা লোকল টুর্নামেন্টশিংগী অম্পায়র ওইরম্বদগী কুমজা ২০০২দা নেসনল অম্পায়র ওইননবা জাবেদ শাইখপু কৌখৎলকখি। থংনবা চহীদা জাবেদ পোলেন্দদা পাঙথোকপা চহী ২১ মখাগী ইনভাইটেসনেল হোকি কপ টুর্নামেন্টতা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল অম্পায়র ওইবগী থৌদাং অদু লৌখি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমদগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১০শুবা হোকি ইন্দিয়া কোংগ্রেসতা খ্বাইদগী অফবা অম্পায়রগী মনা অদু জাবেদ নুরুদ্দিন শাইখনা লৌখি।

জাবেদনা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা অম্পায়র ওইবা ঙমখিবশিংগী মনুংদা কমনৱেল্থ গেমস, এসিয়ন গেমস অমদি ৱর্ল্ড কপশিংদসু অফবা অম্পায়র অমা ওইবগী থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০১৪দা নেদরলেন্দসনা য়ূম্ফু ওইরগা লৈবাক অদুগী হেগ সিটিদা পাঙথোকখিবা নুপাগী হোকি ৱর্ল্ড কপ, ইন্দিয়াগী ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা নুপাগী হোকি ৱর্ল্ড কপতা অম্পায়র ওইখিবতা নৎতনা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতসু মহাক অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

জাবেদ শাইখ হৌজিক-হৌজিক ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মখাদা লৈবা ওলিম্পিক গেমস পেনেল অম্পায়র ওইনা থৌ পুরি। হোকি ইন্দিয়াগী হোৎনজমননা ইন্টরনেসনল পেনেলদা ইন্দিয়াদগী মীওই ১৫ লৈরি।

# সঞ্জয় মঞ্জ্রেকর ইন্দিয়াগী ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা কম্মেন্টরি পেনেলদা য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমা ওইরম্লবা সঞ্জয় মঞ্জ্রেকর থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টুরদা কম্মেন্টরি পেনেলদা য়াওরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি, সঞ্জয় মঞ্জ্রেকরবু বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না হন্দক্তা য়ুনাইটেদ অরব এমেরেটসনা য়ূম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০দা কম্মেন্টরি টিমদগী লৌথোকখিবনি।

মমিং লৈরবা পার্ডচে অমগা উনবদা মঞ্জ্রেকরনা ফোঙদোকখিবদা, মহাকপু কম্মেন্টরি টিমদগী লৌথোকখিবা অসি মমাং চহীগী ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রবিন্দ্র জাদেজাবু ‘বিট এন্দ পিসেস প্লেয়র’ হায়বা কম্মেন্ট পীরুবদগী ওইগনি হায়খি।

মঞ্জ্রেকরনা মখা তাখিবদা, মহাক্লা হায়খিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা শোয়রে হায়না মশানা য়াজে। মরম অদুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লাকপদগী বি সী সী আইনা মহাকপু কম্মেন্টরি পেনেলদা য়াওহল্লকপনি হায়রি।

শগোলশেন নুমীৎতা মীওই ২২গী কম্মেন্টরি পেনেলদা মহাক্কী মমিং য়াওরকপনি। হিন্দি অমসুং ইংলিশ লোলগীদমক খনগৎখিবা কম্মেন্টেটর মঙাগী মনুংদা মঞ্জ্রেকর য়াওরকখি। অতোপ্পা কম্মেন্টেটরশিং অদুদি হৰ্শা বোগ্লে, অজিট অগরকর, অজয় জাদেজা অমসুং মুরালি কার্টিকনি। হিন্দি খক্কী ওইবা কম্মেন্টেটরশিং অদুদি বিরেন্দর সেহৱাগ, মহমদ কাইফ, বিজয় দাহিয়া, বিভেক রাজদান অমসুং জহির খাননি। অদুগা ইংলিশ খক্কী কম্মেন্টেটরদা গ্লেন মেগ্রাথ অমসুং নিক নাইটনি। টেলুগু অমসুং টামিলগী ওইনসু কম্মেন্টেটর লৈরি।

# ফীভম শোক্লবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১১দা বৃটিশ লৈঙাক্না পাউন্দ মিলিয়ন ৩০০গী পেক্কেজ পীরগনি



লন্দন, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): য়ুনাইটেদ কিংদম লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চাওনা শোকহল্লবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১১দা মতেং ওইনা বৃটিশ পাউন্দ মিলিয়ন ৩০০গী পেক্কেজ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী দিসিপ্লিন পুম্নমক লোকদাউন লৈখিবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা শান্নবা য়াদনা লৈখি। লৈঙাক্না কোমথোকপা খরা লৈরকপদগী ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা হৌরকখিবনি। হেন্না শোক্লবা দিসিপ্লিন ১১গী মনুংদা রগবি য়ুনিয়ননা খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফম ওইনা পাউন্দ মিলিয়ন ১৩৫ ফংগদৌরি। হায়রিবা শেনফম অদুগী মনুংদা ইংলেন্দগী রগবি ফুটবোল য়ুনিয়ননা পাউন্দ মিলিয়ন ৪৪ ফংগনি। প্রেমিয়রশিপ রগবি ক্লবশিংদা পাউন্দ মিলিয়ন ৫৯, চেম্পিয়নশিপ ক্লবশিংদা পাউন্দ মিলিয়ন ৯ অদুগা চেম্পিয়নশিপকী মখাদা লৈবা অতোপ্পা ক্লবশিংগী ওইনা পাউন্দ মিলিয়ন ২৩ পীগদৌরি।

গ্রেট বৃটেনগী দিপার্টমেন্ট ওফ দিজিটেল কলচর, মীদিয়া অমসুং স্পোর্টসনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না শেলগী মতেং অসি মরুওইনা লোনগী মওংদা পীগদৌরিবনি। হায়রিবা দিসিপ্লিন ১১ অসিদা ক্রিকেট দিসিপ্লিনদি পেক্কেজ ফংবগী লিষ্টতা য়াওদে।

হোর্স রেসিং দিসিপ্লিনদা পাউন্দ মিলিয়ন ৪০ পীগদৌরি। ফুটবোল নেসনল লীগনা পাউন্দ মিলিয়ন ১১ ফংগনি। ৱিমেন্স সুপর লীগ অমসুং চেম্পিয়নশিপতা পাউন্দ মিলিয়ন ৩ পীগদৌরি। মোটোর স্পোর্টসকী লম্দা মপূ ওইরিবা অমদি ওপরেটরশিংনা পূন্না পাউন্দ মিলিয়ন ৬ ফংগনি। লোন টেন্নিস এসোসিএসনদা পাউন্দ মিলিয়ন ৫ পীগদৌরি। ইংলেন্দগী নেটবোলদা পাউন্দ মিলিয়ন ২ মতেং ওইনা পীগদৌরি। বাস্কেটবোল, আইস হোকি, বেদমিন্টন অমসুং গ্রেহাউন্দ রেসিংদা পূন্না পাউন্দ মিলিয়ন ১১গী মতেং পীগদৌরি।

পেক্কেজ অসিদা নুপাগী প্রোফেসনেল ফুটবোলদদি পীরোইদৌরি। মসিগী মরমদি লৈঙাক অদুনা প্রেমিয়র লীগতগী শেলগী মতেং ফংলক্কনি হায়না থাজবা থম্বগীনি। মরক অসিদা, প্রেমিয়র লীগতগী মখা তানা লৈরিবা দিভিজন অহুমগী ক্লব ৭২দা শেলগী মতেং ফংননবা ৱারী কন্না শানরি হায়রি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর নিগেল হদল্স ষ্টোননা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা স্পোর্টসকী গভর্নিং বোদিশিং অমদি ক্লবশিংগা পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ফীভম শোকচিল্লবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১১দা পাউন্দ মিলিয়ন ৩০০গী পেক্কেজ অসি লাউথোকখিবনি। শেল হেন্না তিংদনবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং অসিগী মরী লৈনবশিংদসু খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# নেসনল টেন্নিস কেম্প য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): চৎলিবা থা অসিগী ৩০দগী ন্যু দেল্লিদা লৈবা দেল্লি লোন টেন্নিস এসোসিএসনগী কোর্টতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা নেসনল কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু মফম অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলকপদগী য়ৈথোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপাগী মকোক থোংবা টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা নেসনল কেম্প অদু য়ৈথোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, দেল্লিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং লাখ ৫ হেনখ্রে। লোয়ননা শিবগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা পূন্না মীওই ১৩৪ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিখি।

মমাংদা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিএসননা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ২০/২০ লৌখৎলগা কেম্প অদু পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু নুমীৎ ২১নিগী ওইবা কেম্প অদু নুপাগীনা নবেম্বর ৩০দগী হৌরগা নুপীগীনা জন্যুৱারী ৪দগী হৌগনি হায়না লেপ্পরম্বনি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল অনিল ধুপর, দেল্লি লোন টেন্নিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট রোহিট রাজপাল অমসুং মমাংদা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অনিল খন্নাগা পূন্না হৌজিক লৈরিবা দেল্লিগী কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংশিল্লবা মতুং কেম্প অদু য়ৈথোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কেম্প অসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী দেভিস কপগী কোচ ওইরিবা জিসান্ট অলিনা দেল্লি লোন টেন্নিস এসোসিএসনগী কমপ্লেক্সতা নুমীৎ ৫নি লৈদুনা কেম্প অদু মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু দেল্লিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হান্নদগী হেনগৎলকখিবা মরম্না বেঙ্গলুরুদা হনখি। মফম অদুদা ফীভম ফরক্লবা মতুংদা কেম্প অসি অমুক শিন্নবা শেম শারি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরননা কজাখষ্টানগী দিমিট্রি পোপকো মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন

ওর্লান্দো, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ঙসি য়ু এস এগী ওর্লান্দো সিটিদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী দিমিট্রি পোপকোবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরন টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয়নি। অমরোমদা, কজাখষ্টানগী পোপকো ৬শুবা সিদেদনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা য়াম্না খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। পোপকোগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা অমদি মশাগী সর্ভিস গেম অহুম অদু হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী পোপকোবু ৬-০দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা পোপকোগী মায়কৈদগী অহানবা সেট অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু হান্নদগী ফজদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা মতাং-মতম চানা সর্ভিস গেম অমা মুনবা ঙম্বদগী সেট অদু ৬-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, গুনেশ্বরননা মমাংদা পাঙথোকখিবা কেরি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফাইনেল য়ৌদুনা রন্নর্স অপ তাখিবনি। চথুরিবা ওর্লান্দো চেলেঞ্জর অসিগী অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এস দুম্বীয়াবু ৬-৩, ৭-৫দা থোইরমখি। অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী টি আই ৱুগা লম্বা তৌনবদা সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈরিঙৈ অহুমশুবা সেট লোইশিনবা ঙমদনা ৱু তোকখিবদগী গুনেশ্বরন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মহাক্লা সেমীফাইনেলদা, ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী দি কুদলা অমসুং সী য়ুবেঙ্কস অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ প্যের কজাখষ্টানগী এ গোলুবেব অমসুং এ নিদোবাইসোব সেমীফাইনেল মায় পাক্লুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

# চহী ১৫ শুদ্রবদি ক্রিকেট শান্নরোয় ওইবা য়ারোইদৌরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী বোর্দনা নৌনা ফোঙদোরকপা কাঙলোন অমদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেটচশিংদা শান্নবা য়ানবা শান্নরোয় অমনা য়ামদ্রবদা চহী ১৫ শুগদবনি হায়রি।

অনৌবা কাঙলোন অসি শান্নরোয়শিংগী শাফনবা চৎনগদবনি। মসিনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা পাঙথোকপা ক্রিকেটকী মেটচশিং, লৈবাক অনীগী মরক্তা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল মেটচশিং অমদি চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট মেটচশিংদা চৎনগদৌরি। করিগুম্বা অকক্লবা নৎত্রগা নহা ওইরিবা শান্নরোয় অমনা য়াম্না হেন্না হৈথোই-শিংথোইবা ওইরবদি শান্নরোয় অদুগী লৈবাক্কী ক্রিকেট বোর্দনা আই সী সীদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি। অনৌবা কাঙলোন অসিনা শান্নরোয় অমগী মেন্টেল অমসুং হকচাংগী ফীভমদা কান্নবা পীগদৌরিবনি হায়না আই সী সীগী ৱারোল অদুদা য়াওরি।

# ক্বামি এক্টা ৱীক পালন তৌখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্স, ও বি সী এন্দ এস সী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ‘ক্বামি এক্টা ৱীক’ পালন তৌখ্রে হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম, এম ও বি সী, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কম্মিস্নর এন জিওফ্রি, য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ লোয়ননা এম ও বি সীগী দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রো য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মপূং ওইনা প্রোসেসন চৎপা অমসুং ফুটবোল মেটচ শান্নবনা ওইখি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ক্বামি এক্টা ৱীক অসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসশিংদসু পাঙথোকখি হায়রি।

# ইন্দিয়াগা শান্নগদবা মেটচশিংগী টিকেট অমত্তা লেমহৌদ্রে

এদলেদ, নবেম্বর ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা টুর তৌগদৌরিবা অসিগী মনুং চন্না নবেম্বর অমসুং দিসেম্বর থাদা লৈবাক অনীনা শান্নগদৌরিবা ক্রিকেট মেটচশিং অদুগী টিকেট য়োনবা লোইখিদুনা লেমহৌদ্রে হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দিসেম্বর ১৭তা এদলেদতা লৈবা ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা টেষ্ট মেটচ মরিগী মনুংদা অহানবা মেটচ অদু শান্নগদৌরিবনি। মরক অসিদা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হান্নদগী খংহেন হেনগৎলে হায়বা রিপোর্ট লাকপদগী টেষ্ট মেটচ অদু এদলেদতগী অতোপ্পা সিটিদা হোংখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরি। অদুবু ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগীদি হায়রিবা টেষ্ট মেটচ অদু মফম অদুদা অদুম্মক পাঙথোক্লনবা পান্দম থল্লি। ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা টি-২০ মেটচ অহুম শান্নগনি। অদুগা কেনবেরা সিটিদনা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ অহুম শান্নগদৌরিবনি। মফম অদুগী ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক মশীং চাদা ৫০ হন্থহল্লি।

# মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় ১১ নেসনল কেম্পকীদমক কৌরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী দিসেম্বর ১দগী মথংগী চহীগী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াননবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১১ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নেসনল ফুটবোল কোচিং কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা খনগৎলক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরগী পোজিসনদা অসেম রোজা, ঙাংবম স্বিতি, সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু, ৱাংখেম লিন্থোইঙম্বী অমসুং য়ুম্লেম্বম পাকপীনি। গোলকিপরগী পোজিসনদা এলাংবম পান্থোই চনু অমসুং মাইবম লিন্থোইঙম্বীনি। লোয়ননা মিদফিল্ড পোজিসনদা নোংমাইথেম রতনবলা অমসুং কাশ্মীনানি। ষ্ট্রাইকরগী পোজিসনদা দাংমৈ গ্রেস অমসুং হৈগ্রুজম দয়াসু য়াওরি। কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় খূদিংমক মারগাওদা লৈবা সিজন হোটেল এন্দ স্পাদা লৈগদৌরি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com